## এ টি এম একাউন্ট হেক তৌবা রোমানিয়া ২ ফারে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা শীজিন্নরিবা এ টি এম ৩০০ কী একাউন্টশিং হেক তৌবনি হায়বা রোমানিয়া মচা অনী ন্যু দিল্লিদগী ফারে। পাউ অসিগী মতুংইন্না মীওইশিং অদুনা কোলকটা খক্তগী লুপা লাখ ২০ নমথাক তৌদুনা হুরানখি হায়বগী থাজবা লৈ। মীওইশিং অদুনা হুরাল্লম্বা য়াবা শেনফমশিং অদু হৌজিক খঙবা ঙম্লিবা অসিদগী চাউনা হেল্লমগনি হায়না কোলকটা পুলিসকী জোইন্ট কম্মিস্নার প্রভিন ট্রিপাথিনা ফোঙদোরক্লি। থাংজ নুমীৎতা ফাখ্রবা মীওইশিং অদু লোকেল কোর্ট অমদা পুথোক্লবা মতুং ওগষ্ট ১৮ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা থম্নবা কোর্টনা য়াথং পীখ্রে। রোমানিয়া মচা অনী ইন টরনেসনল গেংগী মীওইশিং ওইগনি। মখোয়না এ টি এম বুথশিংদা অখন্নবা দিভাইসশিং হাপচিন্দুনা শেল হুরানবগী থবক চখৈ। মীওইশিং অদুনা এ টি এম বুথশিংদা অখন্নবা দিভাইসশিং হাপ্তুনা অরোনবা খুদিংমক খঙদোক্লবা মতুং মীওইশিং অদুগী একাউন্টতগী শেল হুরানখিবনি। মীওইশিং অদুনা লৈবাক অসিদা লৈবা এ টি এম শীজিন্নবা মীওই কয়াদগী শেল হুরানখ্রে হায়বগী থাজবা লৈরে হায়রি।

## ঙমখৈ লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক মায় পাকহল্লোই : নির্মলা সিতারমন



বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ঙমখৈ লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক মায় পাকহল্লোই হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙমখৈ পরিং অদুদা থোক্লিবা থৌদোক খুদিংমক মীকুপ-নাহুম শিংনা য়েংশিল্লি। ঐখোয়গী ফিরেপতি হোংবা লৈতে। অরানবা তৌননবা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপশিং মায় পাকহল্লোই। হন্দক্তা পাকিষ্টানগী মীখল পাঙথোকখ্রে। মীখল অদুদা ক্রিকেট শান্নরোয় ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখ্রবা ইম্রান খানগী টেহরিক-ঈ-ইন্সাফনা সিট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা পার্টি ওইখ্রে। মদুগী মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম খুদিংমক কুপ্না য়েংশিল্লি।

কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজদা অকনবা এটেক চথখিবা অমসুং দোক্লামগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পার্লিয়ামেন্টতা পীখ্রবনি। সুস্মা স্বরাজনা পার্লিয়ামেন্টতা পীখ্রবা পাউখুম অদু হঞ্জিন্না হায়বগী মথৌ তাদে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবী অদুনা মখা তানা হায়, সুস্মা স্বরাজনা দোক্লাম থৌদোক্কী মতাংদা ময়েক শেংবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। দিপ্লোমেটিক ওইবা থৌশিল পায়খৎতুনা দোক্লামগী ৱাথোক অদু ঈ-নাই তান্নদনা লোইশিনবা ঙমখিবনি। মদু লৈঙাক অসিগী হৈ-শিংবা থৌশিল অমনি হায়খি।

য়ু এসকী কোংগ্রেস ৱিমেন অমনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা, দোক্লামদা চাইনানা মখা তানা থবক পায়খৎলি। ভুটান নৎত্রগা ইন্দিয়ানা মদুগী মতাংদা করিসু তৌদনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়, ৱাফম অদু কদায় ফাওবা চুল্লবগে হায়বা খঙবা ঙমদে। চপ চাবা খুদম চাংদম লৈতবা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈঙাক্লা য়ানিংদে হায়খি।

রসিয়াদগী এস-৪০০ ত্রিউম্ফ দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকীদমক লৈনবা হোৎনরিবা অদুগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা লুচিংবী অদুনা হায়, এয়র ফোর্সকীদমক দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম অদু লৈগদবনি। অদুম ওইনমক য়ু এসকী ইস্যু অসিনা মরম ওইরগা পংথদুনা লৈরে। দিফেন্স সিষ্টেমগী পোৎলমশিং লৈবগী মতাংদা অনীরক হন্না ৱারী শানখ্রে। মখা তানা চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৬তা ন্যু দিল্লিদা মীফম পাঙথোকখিগনি হায়খি।

## মনমোহন সিংহনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফীভম চাউখৎনবা লম্বী শেম্লম্বনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা লৈবাক অসিবু শেল-থুমগী শাফবা ফীভম অমদা লাক্লনবা লম্বী য়াৎলমখিবনি। মহাক্লা লৈঙাক পায়বা মতমদা পোলিটিকেলগী ওইবা তং-তাবা লৈবাক অসিদা লৈহনবা ঙক্সগা লোয়ননা শেল-থুমগী ফীভমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমখিবনি হায়না হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

মনমোহন সিংহনা পোলিটিকেলগী লমদা চঙলকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অমা ওইনা শেল-থুমগী শাফবা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনবা হৌখিবনি। মমাঙদদি মালেমগী ওইবা শিংথানিংঙাই ওইবা ফীভম অমদা লৈবা ঙমখিদবনি। ডা. মনমোহন সিংহগী হৈ-শিংবা অমসুং অখাং কনবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিবু অফবা শেল-থুমগী ফীভম অমদা লাক্লনবগী লম্বী য়াৎলমখিবনি। মহাক রিজার্ব বেঙ্ককী গভর্ণর ওইনসু থৌ পুরমখি। মদুগী মতুংদা কুমজা ১৯৯১ দা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর পি ভি নরসিমহা রাওনা মহাকপু ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুহনখি। মতম অদুদা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী শাথিবা ফীভম অমা মায়োক্লরম্বা অদু লাম্হোকপা ঙমখি। মনমোহন সিংহনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরমখি। মদুগী মনুংদা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট অমসুং ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট য়াওরে।

মনমোহন সিংহগী হৈ-শিংবনা লৈবাক অসিবু শেল-থুমগী লমদা শাফবা ফীভম অমদা লৈহনবা ঙল্লকখিবনি। লুচিংবা অদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদগী লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী লমদা শাফবা ফীভম অমা লৈহন্নবা লম্বী য়াৎপা হৌখ্রবনি। অদুগুম্বা শিংথানিংঙাই ওইরবা লুচিংবা অদুবু হৌজিক ঐখোয়না থাগৎফম থোকই হায়নসু প্রনব মুখর্জিনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মনা য়েম্হোকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে। থৌরম অদুদা মনমোহন সিংহদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দসু খুৎশিন্নখি।

## বেল্লোট পেপরদা হঞ্জিল্লকপা হায়বদু খুদোংচারোইদবা অমনি : ভি এস শম্পথ

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

ওপোজিসন পার্টিশিংনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বেল্লোট পেপরদা হঞ্জিল্লক্লবা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি। ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) গী মহুৎ বেল্লোট পেপর শীজিন্নবগী ৱাফম অদুদা হান্নগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার অনীনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। মদুদা নত্তনা মতম অমত্তদা ষ্টেট অমসুং লোক সভাগী মীখল পুন্না পাঙথোকপা হায়বদু খুদোংচারোইদবা অমনি হায়না ওপোজিসনশিংনা ক্লেম তৌরিবনি।



তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ১৭ মরুওইনা কোংগ্রেস অমসুং তৃণমুল কোংগ্রেসনা ইলেক্সন কম্মিসন্দা বেল্লোট সিষ্টেম চৎনহন্নবা অকনবা প্রেসর পীরি। নাকল অমরোমদা, ইলেক্সন কম্মিসন্না ঈ ভি এম লান্না শীজিন্নবা য়াহন্দনবা ভোটর ভেরিফিএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভি ভি পি এ টি) স্লিপ হৌদোকখিবা লৈখ্রে। কুমজা ২০১৫ দা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা ভি এস শম্পথনা হায়, ইলেক্সন কম্মিসন্না হৌখিবা চহী কয়াদা অসিদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন শীজিন্নরকখ্রে। মদু বেল্লোট পেপরদা অমুক হঞ্জিনবা হায়বদু ফরোইদবা অমনি হায়খি।

ভি ভি পি এ টি স্লিপ ইলেক্সন কম্মিসন্না হৌদোকখ্রবনি। তুংদা লাক্কদৌরিবা মীখলশিংদদি লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা হায়রিবা দিভাইস অদু শীজিন্নরক্লগনি। হান্না শীজিন্নরম্বা বেল্লোট পেপরগী মহুৎতা ভি ভি পি এ টিনা মহুৎ শিন্নবা হোৎনবনি। ভি ভি পি এ টি সিষ্টেম অদুনা ভোট থাদরিবা মীওই অদুনা করম্বা পার্টি নৎত্রগা করম্বা মীওইদা ভোট পীখিবগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা য়েৎনবা লাকপা য়াবা খুদিংমক লাকশিনবা ঙমগনি। হান্নগী বেল্লোট পেপর সিষ্টেম হায়বদু হৌজিক্তি খুদোংচাদবা অমা ওইরগনি। তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী ৱাখল্লোনশিং অদু লৌথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

## মুগলস সরাই ষ্টেসন মমিং ওনখ্রে

মুগলস সরাই, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

মুগলস সরাই রেলৱে ষ্টেসনবু আর এস এসকী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা দিনদয়াল উপধ্যায় হায়না মমিং ওনবগী থৌরমদা রাজনাথ সিংহনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী মুগলস সরাই ষ্টেসন অদু পোলিটিকেল লানফম অমগী প্লেটফোর্ম অমা ওন্থোকপগা লোয়ননা রাজনাথ সিংহনা কোংগ্রেসনচিংবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা অকনবা মরাল শিখ্রে। অসামগী সিটিজন্স লিষ্টকী মতাংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা তুমীন্না লৈশিল্লি। মরমদি অদুগুম্বা থৌশিল অদু রাজিব গান্ধীগী মতমদা পুথোক্লম্বনি হায়খি।

অসামদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) লিষ্ট ফোঙবদা মীওই লাখ ৪০ রোমগী মিং য়াওরক্তবগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা বি জে পিদা অকনবা মরাল শিরিবনি। অসামদা লৈবা বাংলাদেশ মচাশিংগী মিং এন আর সীগী লিষ্ট অদুদা য়াওদ্রবনি হায়রি।

## ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিবু প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ ওইহনবদা য়ানিংদবা লৈতে : দেবীগৌরা

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী মায়োক্তা অখন্নবা ফ্রন্ট অমা শেম্বগী মতাংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর জনতা দল-সেক্যুল্লর (জে দি-এস)কী লুচিংবা ঐচ দি দেবীগৌরানা হায়, তৃণমুল কোংগ্রেস (টি এম সী)গী লুচিংবী অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিবু ওপোজিসন পার্টিগী ওইনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ ওইহনবদা য়ানিংদে লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।



ওপোজিসন পার্টিশিং চুংশিন্নবা অমসুং মখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ পুথোকপগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লরকপা লৈরি। কোংগ্রেস অমসুং অতোপ্পা পার্টিশিংনা মীখল মমাঙদা নৎত্রগা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবগী মতাংদা য়েৎনবা কয়া লাকপা য়াই। ওপোজিসন পার্টিশিং চুংশিন্নবা হায়বা অদু তঙাইফদবা অমনি। অদুম ওইনমক চপ চাবা ফিরেপ অমা খঙদোক্তবদি মদুনা ওপোজিসন পার্টিশিং পুনশিন্নবদা ইস্যু অমা ওইরকপা য়াই।

কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী মতুংইন্না ওপোজিসন পার্টিশিংগী এল্লাইয়েন্স অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ পুথোকপদা চিংনবা লৈরে হায়না ফোঙদোরকখিবা মতুং ৱাফম অদু দেবীগৌরানা ঙসি ফোঙদোকখিবনি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেবক সঙ্ঘকী মায়োক্তা ওপোজিসন পার্টিশিং চুংশিন্নবা মথৌ তাই। কর্নাটকাদা হৌজিক কোংগ্রেসনা শৌগৎপা চুংশিন্নবা লৈঙাক শেল্লি। অসিগুম্বা লুরবা তানফম অসিদা বি জে পিদগী পৱার মুন্ননবগীদমক কোংগ্রেসনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। থর্দ ফ্রন্ট হৌজিক হৌজিক এক্টিব ওইনা লৈরি। মমতা বেনর্জিনা খ্বাইদগী ফবা থবক তৌনবা হোৎনরি। বি জে পি নত্তবা পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্ননবসু হোৎনরি হায়খি।

## ইন্দিপেন্দেন্স দেদা টেরর এটেক চথরকপা য়াই হায়বগী ৱার্নিং তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

জয়স-ঈ-মহম্মদ অমসুং লাস্কর-ঈ-তোইবনা লৈবাক অসিগী নীং-খা তম্বা নুমীৎতা আর্মি কেম্পশিংদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরি। য়ামদ্রবদা টেররিষ্ট ২০ রোম্না এটেকশিং অদু চথরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইন্দিয়ন ইন্টিল্লিজেন্স এজেন্সীনা ফোঙদোরকখিবদা, চৎলিবা চহী অসিগী নীং-খা তম্বগী নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী আর্মি কেম্পশিংদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌখ্রে। লাইন ওফ কন্ট্রোল লানশিন্দুনা মীওই কয়া চঙশিনহনখ্রে। সেটিলাইট কম্যুনিকেসনগী রেকোর্দ মতুংইন্না লাইন ওফ কন্ট্রোলগী মফম কয়াদগী টেররিষ্টশিং মখা তানা চঙশিল্লকপা য়াই। মখোয়না টংধার সেক্তরগী আর্মি কেম্পতা টার্গেট তৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

ইন্টিল্লিজেন্স এজেন্সী অদুগী অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়, জয়স-ঈ-মহম্মদনা বরামুলা সেক্তরগী মরুওইবা মফমশিংদা এটেক চথরকপা য়াই। ঙমখৈ লান্না চঙশিনখ্রবা মীওইশিং অদুদা এটেক চথনবা মখোয়গী লুচিংবশিংনা খঙহনখ্রে। লমদম অদুগী মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা টেররিষ্টশিং অদুনা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কেম্পশিংদা এটেক চথরকপা য়াই হায়রি।

## অসামগী এন আর সী লিষ্টকী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা পুন্না ৱা তানবা তঙাইফদবা লৈ : শরদ যাদব



ভোপাল, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

অসামদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) চপ চানা চৎনদ্রিঙৈদা সেন্টরনা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কা তানদুনা য়েৎনবা লৈরোইদবা থৌশিল অমা পুথোক্কদবনি হায়না লোকটন্ত্রিক জনতা দল (এল জে দি) গী লুচিংবা শরদ যাদবনা ফোঙদোকখ্রে।

মোদি লৈঙাক অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অদুনা হায়, লৈবাক অসিদা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দবা হায়বা ফীভম অমা লৈহনবা ঙমদ্রিঙৈদা ষন ঙাক শেনবগী ৱাফম মরুওইবা অমা ওইনা খন্নরক্লি। অসামদা এন আর সীগী লিষ্ট ফোঙখ্রে। জুলাই ৩০ দা ফোঙখিবা লিষ্ট অদুদা লমদম অদুদা লৈবা মীওই লাখ ৪০ গী মিং য়াওদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা চরাংনবা ফীভম অমা লাকহনবা য়াই। লৈঙাক্লা হৌজিক পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম কৌদুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্কদবনি। মদুনা ৱাথোক ওইরকপা য়াবদগী কনবা ঙমগনি। হৌজিক অসামদা এন আর সীগী লিষ্টতা য়াওদ্রবা মীওইশিং অদু করম্বা মতমদা ইস্থোরক্কদৌরিবনো হায়বা অদু খঙহনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি। লোয়ননা চাউনা সেন্টরদা মরাল শিরকপা য়াই হায়নসু লুচিংবা অদুনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

অসামদা এন আর সী চৎনহনবা হায়বদু য়াই। অদুম ওইনমক মদুনা দেমোক্রেসিদা শাফু অমা পীরক্কনি। অচুম্বা ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা ৱাথোক ওইরকপা য়াবদগী কন্ননবা য়েৎনবা লৈতবা মেকানিজম অমা পুথোক্কদবনি। বি জে পিগী থৌশিলশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, পার্টি অদুনা মুস্লিমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং অমা য়েংবগুম উরি। মরম অদুনা চথরিবা থৌশিল অদু অচুম্বা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা ঙমদে। টিবেটতগী লাকপা মীওইশিং লৈবাক অসিদা লৈরি। অদুগা বাংলাদেশতগী লাকপা মীওইশিংবুনা হলহনখিনবা হোৎনরি। মদুগা মান্নবা থৌশিল পাকিষ্টান্না চথরক্লবদি করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদু খন্থবা চুমগনি হায়রি।

## মিনিমম বেলেন্স লৈতবা একাউন্টতগী লুপা ক্রোর ৫,০০০ খোমগৎখি




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

পব্লিক সেক্তর বেঙ্ক ২১ অমসুং অচৌবা প্রাইভেট সেক্তর বেঙ্কশিংনা মমাঙ চহীদা মিনিমম বেলেন্স লৈতবা একাউন্ট হোল্ডরশিংদগী লুপা ক্রোর ৫,০০০ খোমগৎখি।

লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা বেঙ্ক অমা ওইরিবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া হৌখিবা শেনবা চহী ২০১৭-১৮ দা লুপা ক্রোর ৬,৫৪৭ মাংবগী ৱাফম লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা মিনিমম বেলেন্স লৈতবা একাউন্ট কষ্টমরশিংদা চৈরাক ওইনা শেনফম কয়া খোমগৎনবা হোৎনখি। এস বি আইনা থা ১ দা মিনিমম বেলেন্স লৈতবা একাউন্টশিং নৎত্রগা শেল থমজিল্লক্তবা একাউন্টশিংদগী ফাইন লৌখৎপগী চাং হেনগৎহনখি। মদুতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক কয়াদসু মিনিমম বেলেন্স লৈতবা একাউন্টশিংদগী চৈরাক ওইনা শেল খোমগৎপগী থবক চথখি।

কুমজা ২০১৭-১৮দা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মিনিমম বেলেন্স লৈতবা একাউন্টশিংগী শেল খ্বাইদগী য়াম্না খোমগৎপা বেঙ্ক অমা ওইখি হায়রি।

## সুস্মা স্বরাজনা উজবেক প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুলা এরিপোভ উনদুনা লৈবাক অনীগী লৈনগদবা মরীগী মতাংদা খন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ঙসি উজবেকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুলা এরিপোভ উনদুনা লৈবাক অনীগী মরীগী মতাংদা খন্নখ্রে। সুস্মা স্বরাজনা অহানবা ওইনা উজবেকিষ্টান্দা চৎতুনা লৈবাক অদুগী লুচিংবা অমসুং মহাক্কা ফম মান্নবা অব্দুলাজিস কামিলোভকসু উনখি।



লুচিংবী অদুনা উজবেকিষ্টান্দা থুংখিবদা লৈবাক অদুগী এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর কামিলোভনা এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখি। লৈবাক অদুগী কোনুং টাস্কেন্টতা প্রসিদেন্ট অব্দুলা এরিপোভকা উনখি।


সুস্মা স্বরাজনা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিংগা উনবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং উজবেকিষ্টানগী মরক্তা লল্লোন-ইতিক তৌনবা, শেল-থুম, দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটিগী লমদা মতেং পাংননবা খন্নখি। মদুতা নত্তনা মালেমগী ওইরিবা ফীভম কয়াগী মতাংদসু খন্নখি। লুচিংবী অদুনা এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর কামিলোভকা উনদুনা রিজনল অমসুং গ্লোবেল ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্নখি।

সুস্মা স্বরাজনা টাস্কেন্টতা লৈবা ইন্দিয়া মচাশিংগী ওইবা মীফমদসু ৱা ঙাঙখ্রে হায়রি। হয়েং লৈবাক অদুগী কোনুংদা লৈবা লালবহাদুর শাস্ত্রি মেমোরিএলদা চৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎকনি। ইন্দিয়া অমসুং উজবেকিষ্টান মতম কয়াগী মমাঙদগী পুৱারী অমসুং কলচরগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা মরী লৈনরকই। লোয়ননা তুংদা লাক্কদবা মতমশিংদসু মখা তানা মরুপ-মপাং ওইনা লৈমিন্নবা খন্নখি হায়রি।

লৈবাক অহুমগী খোঙচৎতা ন্যু দিল্লি থাদোকখিবী সুস্মা স্বরাজনা অরোইবা ওইনা উজবেকিষ্টান্দা চঙদুনা লুচিংবা কয়াগা উনখ্রে। লুচিংবী অদুনা কের্জিষ্টানদা লৈরিঙৈ মতমদা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াগা উনদুনা হিরম কয়াদা মতেং পীননবা ৱারী শানখি হায়রি।

কজাখষ্টান, কের্জিষ্টান অমসুং উজবেকিষ্টানদা চৎতুনা লুচিংবী অদুনা মরুপ-মপাং ওইবগী মরী শাগৎনবা থৌশিলশিং পায়খৎলি। ময়াই থংবা এসিয়াগী লৈবাকশিং অদুগা অফবা মরী থম্নবগা লোয়ননা লল্লোন-ইতিক তৌনদুনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদসু খন্নখি। মদুতা নত্তনা দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটিগী লমদসু মতেং পাংননবা ৱারী শানখি হায়রি।

## ষ্টেট খুদিংমক্তা সিটিজন লিষ্ট লৈহনবা তঙাইফদে



গুৱাহাতি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী):

ষ্টেট খুদিংমক্তা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী)গী থৌশিল চৎনহনবা অমসুং চাং নাইনা অপদেট তৌবা তঙাইফদে। মদুনা লৈবাক মনুংগী ওইবা সিক্যুরিটিগী ফীভমদা খুদোংচাবা লৈহনগনি হায়না অসামগী গভর্ণর জগদিস মুখিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে

অসাম খক্তদা এন আর সী লৈহনগদবা নত্তে। লৈবাক অসিগী ষ্টেট খুদিংমক্তা লৈহনবা মথৌ তাই হায়না ঙসি গভর্ণর মুখিনা গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অসামদা এন আর সী লিষ্ট ফোঙখিবা অমসুং মীওই লাখ ৪০ লিষ্ট অদুদা য়াওদ্রে হায়বগী মতাংদা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লরিঙৈ চৈরক্তা গভর্ণর অদুনা ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবনি।

অসাম এন আর সীগী দ্রাফ্ট লিষ্ট অদু জুলাই ৩০ দা ফোঙখিবনি। মদু পুৱারী ওইরগদবা থৌশিল অমনি। ফোঙখিবা লিষ্ট অদুদা অসামগী মীওই অমত্তা চিথবা লৈত্রে হায়খি। ষ্টেট খুদিংমক্লা মশাগী ওইনা এন আর সী লিষ্ট লৈহনগদবনি। ষ্টেট খুদিংমক্তা অদুগুম্বা এন আর সীগী লিষ্ট লৈরবা মতুং চহী ১০ খুদিংগী চাং নাইনা অপদেট তৌবগী মথৌ তাই। মদুনা লৈবাক অসিগী ইন্টর্নেল সিক্যুরিটিদা চাউনা খুদোংচাবা লৈহনগনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মরমদমদা কাঙলোন চুমদনা চঙশিল্লকপা ফোরেন্নর কয়া লৈরিবগে হায়বদু খঙদোক্লবগী হক লৈ। অসামদা ফোঙখিবা এন আর সীগী লিষ্ট অদু কাঙলুপ জাৎ নৎত্রগা লাইনিং লীচৎ খায়দনা ট্রান্সপরেন্ট ওইবা থৌশিল অমগী মখাদা চথখিবনি। অসামদা ওইরিবা ফীভম অদু ইন্দিয়া অমসুং ফোরেন্নরগী মরক্তা চথবা মশক খঙদোক্লবা থৌশিল অমনি হায়খি।